# য়ুএসনা মেক মোহন লাইনবু চাইনা অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মরক্তা ইন্টরনেসনেল বাউন্দরি ওইনা শকখঙখ্রে

ইটানগর, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মেক মোহন লাইনবু চাইনা অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মরক্তা লৈবা ইন্টরনেসনেল বাউন্দরি ওইনা শকখঙলে হায়রি।

মসি অরুনাচল প্রদেশপু ইন্দিয়াগী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা উরিবা বাই পার্টিসন সিনেট রিজোলুসন অমগী মতুং ইন্ননি। সিনেটর বিল হাগরটিনা রিজোলুসন অদুবু সিনেটতা পুথোক্লদুনা হায়খি, মদুদি চাইনানা ফ্রি অমসুং ওপন ইন্দো-পেসিফিক্তা লেপ্পুনা কিহল্লক্লিবা মরক অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লমদম অসিগী ঐখোয়গী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিং মরু ওইনা ইন্দিয়াগা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই।

বাই পার্টিসন রিজোলুসন অসিনা অরুনাচল প্রদেশ ষ্টেটপু ইন্দিয়াগী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়বসি সিনেটনা শৌগৎপা উৎপগা লোয়ননা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল পরিংদা লৈরিবা ষ্টেটস ক্নো হোংহন্নবা চাইনিজ মিলিটরিনা চথরক্লিবা অকন অরিং শীংবগী থৌওংশিং কন্দেম তৌই। লোয়ননা ইন্দো-পেসিফিকপু ফ্রি অমসুং ওপন ওইহনবগী ৱাখল্লোন অমদি খোঙথাংশিংবু শৌগৎতুনা য়ুএস-ইন্দিয়া ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ অমসুং ক্বাদপু মখা তানা কনখৎহনবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না মহাক্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।




রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা চহী তরুক্কী মনুংদা লাইন ওফ একচুয়েল পরিংগী ইষ্টর্ন সেক্তরদা খ্বাইদগী চাওনা খুৎ থোক্লখিবা মতুংদা পুথোরক্লিবা রিজোলূসন অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মেক মোহন লাইনবু চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী ষ্টেট অরুনাচল প্রদেশকী মরক্তা লৈবা ইন্টরনেসনেল বাউন্দরিনি হায়না শকখঙই হায়বসি নৌনা অমুক মরী লৈনবা পুন্নমক্তা খঙহল্লি।

অরুনাচল প্রদেশপু পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী টেরিটরিনি হায়বা পি আর সিগী ক্লেম অসিবুসু রিজোলুসন অদুনা রিজেক্ট তৌরি।

মার্কিনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না পায়খৎলিবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা অমদি মালেমগী লৈবাক কয়াগা মরী থম্নবদা ফ্রিদম অমসুং রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ওর্দর শৌগৎলিবা অমেরিকাগী ভেল্যুশিং কাউরোইদবনি। মরু ওইনা পি আর সি গভর্ণমেন্টনা মহুৎ শীনবা য়াবা ভিজন অমা লাকহন্নবা হোৎনরক্লিঙৈ মরকসিদা মসি য়াম্না মরু ওই।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অরুনাচল প্রদেশ অসি রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়াগী শরুক্নি, পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী শরুক নত্তে হায়বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীৎয়েং অদু রিজোলূসন অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। লোয়ননা য়ুএসনা লমদম অসিবু হিরম খুদিংমক্তা মতেং হেন্না পাঙননবা শেম শাদুনা লৈ হায়বসিসু রিজোলুসন অসিনা উৎলি।

বাই পার্টিসন সিনেটরশিংগী রিজোলুসন অদুনা এল এ সি পরিংগী ষ্টেটস ক্নো হোংহন্নবা পি আর সিনা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নবা, য়েৎনরিবা মফমশিংদা ভিলেজশিং শেমগৎ শাগৎপা, মান্দরিন লোনগী মীংশিং শীজিন্নবা সিটিশিং উৎপা মেপশিং ফোঙবনচিংবা চাইনাগী অহেনবা কায়হৌবগী থৌওংশিংসু কন্দেম তৌরি।

# নাগালেন্দগী গভর্ণরনা এসেমব্লি সেসন মার্চ ২০ দা কৌখ্রে

দিমাপুর, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

নাগালেন্দগী গভর্ণর লা গনেসন্না ১৪ শুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা সেসন মার্চ ২০ দা কৌখ্রে। অনৌবা এন দি পি পি- বি জে পি এল্লায়ন্স গভর্ণমেন্ট মার্চ ৭ তা ৱাশক লৌখিবনি।

এসেমব্লিগী অহানবা সেসন অদুগী প্রোভিজনেল প্রোগ্রাম ফাইনেলাইস তৌনবগীদমক প্রোটেম স্পিকর মহাথুং য়ামথান অমসুং বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সি) গী চিয়ারমেন্না মার্চ ১৬ কী নুমিৎয়ুংবা মতমদা এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী কম্মিটি রুমদা বি এ সিগী মীফম অমা কৌখ্রে।

চৈরকসিদা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী ওফিস মেমোরেন্দম অমদা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টনা হায়খি, মদুদি নাগালেন্দ সিভিল সেক্রেটরিএটতা চঙনবগী অনৌবা কার পাসশিং মার্চ ২০ দগী হৌরগা ওফিস আৱর মনুংদা ইস্যু তৌরগনি।

দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা অনৌবা প্রেস্ক্রাইব ফোর্মেট এস এ বি 'ব্রাঞ্জ' তগী কলেক্সন তৌনবা অমদি মদুবু মার্চ ৩০ ফাওবগী মনুংদা সম্মিট তৌনবা খঙহনখ্রে। মার্চ ৩০ গী মতুংদদি অরিবা কার পাসশিং চৎনররোই। কার পাসশিং গভর্ণমেন্ট রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওবা গাড়ীশিং খক্তগী ওইনা ইস্যু তৌগনি।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রতিমা ভুমিক এম এল এগী ফম থাদোকখ্রে



অগরটালা, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট প্রতিমা ভুমিক হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ত্রিপুরাগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাক্না ফঙখিবা এম এল এগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ত্রিপুরাগী এসেমব্লি মীখলদা প্রতিমা মহাক্কী পোক্নফম ধানপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কাখি। মহাক্না সি টি আই (এম)গী কেন্দিদেট কৌসিক চান্দবু মায়থীবা পীখিবনি।

অগরটালাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি প্রোটেম স্পিকর বিনয় ভুসন দাসতা ঐহাক্না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকচরি। বি জে পিনা মহাকপু ফম অদুগীদমক্তা খনবগা লোয়ননা মহাক ওফিসকী চার্জ পুবা হৌখি।

ভুমিক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি মার্চ ২দা মহাক ধানপুর এসিদা মায় পাকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা ফম অনী পায়বগী ফিভম লাকখি। মসি লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসন্না অয়াবা পীদবনা মরম ওইদুনা ফম অমা থাদোকপগী ফিভম অসি লাকপনি।

ঐহাক লোক সভাগী মেম্বর অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরবসু বিজেপিগী সেন্ট্রেল লিদরশিপনা ঐহাকপু ধানপুর এসিদা কন্টেষ্ট তৌননবা দিরেক্সন পীরকখি। ঐহাক্কী পার্টিগী এদভাইসতা ঐহাক ধানপুর সিটকী এম এল এগী ফম অসিদগী রিজাইন তৌননবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা প্রোটেম স্পিকরদা ঐহাক্কী রেজিগনেসন পীশিনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# থা কয়া লেপ্লুরবা মতুংদা পাকয়োং এয়রপোর্টতা ফ্লাইট সার্ভিস হৌখ্রে

গেংতোক, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

ওপরেস্নেল খুদোংচাদবা কয়ানা মরম ওইদুনা থা কয়া লেপ্লুরবা মতুং সিক্কিমগী পাকয়োং এয়রপোর্টকী ফ্লাইট সার্ভিসশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী অমুক হৌখ্রে।

ফ্লাইটশিং সার্ভিসশিং স্পাইস জেট প্লেন অমগী ফ্লাইটকা লোয়ননা হৌখি। প্লেন অদু পেসেঞ্জর ৪৩ তোংলগা পাকয়োং এয়রপোর্টতগী দিল্লি পাঙখি। এয়রপোর্ট অসিবু থিংজিনবা অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবশিং থোকহনবগা লোয়ননা সিক্কিমগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি।

পেসেঞ্জর ১২গা লোয়ননা পাকয়োং এয়রপোর্টতা থুংখিবা ফ্লাইট অদু ওপরেসনশিং সস্পেন্দ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা রুট অসিদা সার্ভিস তৌখিবা অমত্তা ঙাইরবা কেরিয়রনি।

ষ্টেট কেপিটেল গেংতোক্তগী কিমি ২৬.৮ লাপ্পা লৈরিবা এয়রপোর্ট অদু অৱাং নোংপোক লমদমগী অহানবা গ্রিনফিল্ড এয়রপোর্টনি হায়নরিবনি। রেগ্যুলর ফ্লাইট সার্ভিসশিং মার্চ ২৬ তগী হৌরগনি। নুমিৎ খুদিংগী দিল্লিদা ফ্লাইট অমমম পাইগনি। নক্লনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিলিগুরিদা লৈরিবা বাগদোগ্রা এয়রপোর্ট অসিসু গেংতোক্তগী কিমি ১২৩ খক ওইবগা লোয়ননা রেগ্যুলর ফ্লাইট সার্ভিসশিং অদুনা কান্নহল্লগনি।

চীফ মিনিষ্টর প্রেম সিংহ টমাংনা মমাঙদা ফ্লাইট সার্ভিসশিং অমুক হৌনবগীদমক দিরেক্তর জেনরেল ওফ সিভিল এভিএসন (দি জি সি এ) দা ইদুনা হায়জখিবনি।

ওফিসল অমগী মতুং ইন্না পাকয়োং এয়রপোর্ট অসি বি এফ আর (ভিজ্যুএল ফ্লাইট রুলস) এয়রপোর্ট অমনি অমসুং মসিদা এয়রপোর্টতগী ওপরেট তৌবদা মথৌ তারিবা য়ামদ্রবদা ফুট ৫০০০ গী লম লৈতবনা মরম ওইদুনা লেনিদং ফেসিলিটিশিং থমদে। মসিনা পেসেঞ্জরশিংদা খুদোংচাদবা খরদি থোকহল্লি হায়রি।

# পেপর লিক কেসকা মরী লৈননা ট্রেনি এস আই ৬ টর্মিনেট তৌখ্রে

ইটানগর, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

এ পি পি এস সি পেপর লিক কেসকা মরী লৈননা শিল্লোংগী নোর্থ ইষ্টর্ন পুলিস একাদেমি (এন ই পি এ) দা ট্রেনিং চথরিবা অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকী ট্রেনি সব-ইন্সপেক্তর তরুক মার্চ ৩ দা মখোয়গী সার্ভিসতগী টর্মিনেট তৌখ্রে।

মমাঙদা মখোয় এস আই সি/ বি আই জি/পি এস/এফ আই আর-১২/২০২২ গা মরী লৈননা জনুৱারীগী অহানবা চয়োলদা ফাখি।

দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী ওফিসনা পীবা ওর্দরগী মতুং ইন্না এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস সিংজাটলা সিংফোনা আই পি সিগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা পুলিস কেদেট তরুক অদু টর্মিনেট তৌখি।

মখোয় তরুকমক কুমজা ২০২২ গী মার্চ ২২ দা সব-ইন্সপেক্তরগী ফম পায়হন্নবা এপোইন্ট তৌখি।

অমরোমদা, অসামগী লক্ষিম্পুরদসু পেপর লিক্কা মরী লৈননা মীওই মঙা ফাগৎখ্রে। হৌজিক চথরিবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজানিমেসনগী ক্বেসন পেপরশিং লিক ওইবগী কেসকা মরী লৈননা মীওই মঙা ফাগৎখ্রে। মীওই মঙা অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্তগী ফাখিবনি। মখোয় ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সি আই দি) দা শিন্নখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা লক্ষিম্পুরগী থৌদোক অদুবু মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন কয়ানা য়ানিংদবা উত্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। মখোয়না ক্রাইম অদুবু নীংথিনা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা অমদি মরাল লৈবা পুন্নমক ফাননবা তকশিনখি। মহৈরোয় ওর্গনাইজেসনশিংনা সেকেন্দরি এদুকেসন বোর্দ ওফ অসামগী চিয়ারমেন রামেস জ্যেন অমসুং এদুকেসন মিনিষ্টর ডা. অনুরাগ পেগুবুসু লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখত্তবগীদমক চৈ থাংখি।

# নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টগী এমপ্লোয়িশিংনা অরিবা পেন্সন স্কিম চৎনহনবা পাম্লি

কোহিমা, মার্চ ১৫ (এজেন্সি):

কনফিদরেসন ওফ ওল নাগা-লেন্দ ষ্টেট সার্ভিস এমপ্লোয়িস এসোসিএসন (সি এ এন এস এস ই এ) অমসুং নাগালেন্দ নেসনেল পেন্সন সিষ্টেম গভর্ণমেন্ট সার্ভিস এমপ্লোয়িস ফোরম (এন এন পি এস জি এস ই এফ) কী বেন্নর মখাদা নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়িশিংনা ওল্ড পেন্সন স্কিম (ও পি এস) অমুক হন্না চৎনহন্নবা অমসুং নেসনেল পেন্সন স্কিম চৎনহন্দনবা দিমান্দ তৌরদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোমিহাদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিএটকী মপানদা দিমোন্সট্রেসন পাঙথোকখ্রে।

প্রোটেষ্ট অদুগী মতুংদা সি এ এন এস এস ই এগী প্রসিদেন্ট ডা. ইলাম অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ডা. হোবিথাল ছোতুনা নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরিদা রি প্রজেন্টেসন অমা সম্মিট তৌখি।

রি প্রজেন্টেসন অদুদা সি এ এন এস এস ই এনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী এম পি এস রিভোক তৌনবা অমসুং ষ্টেট এমপ্লোয়িশিংগীদমক ও পি এস অমুক হন্না চৎনহন্নবা দিমান্দ তৌখি।




নোনেদা নুমিৎ ৫০ নি চথুদুনা লাকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন বেম্বু এন্দ কেন হেন্দিক্রাফ্টস লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

## CROSSWORD-3814



### ACROSS

1. Dairy product(6)
4. Day nursery(6)
8. Regretting(5)
9. Insanity(7)
10. Female ruler(7)
11. Copious, abundant(5)
12. True to life(9)
17. Small flock of game birds(5)
19. Dishonourable(7)
21. Taken for granted(7)
22. "Aida" composer(5)
23. Small(6)
24. Method(6)

### DOWN

1. Gents' hairdresser(6)
2. Away-day tourist(7)
3. Large bird of prey(5)
5. Glowing(7)
6. Move furtively(5)
7. Less burdensome(6)
9. Bewildered(9)
13. Appalling(7)
14. Floor show(7)
15. Scribble(6)
16. Gas used in balloons(6)
18. Call upon(5)
20. Manual worker(5)

**Solution 3813**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | M | S | | S | H | A | M | R | O | C | K |
| M | | A | | K | | E | | A | | R | | I |
| B | A | R | R | I | E | R | | Y | E | A | R | N |
| R | | E | | T | | T | | O | | T | | G |
| O | N | S | E | T | | F | E | R | V | I | D | |
| S | | | | E | | O | | | | O | | N |
| I | N | L | A | N | D | R | E | V | E | N | U | E |
| A | | A | | | | D | | E | | | | E |
| | O | P | T | I | C | S | | N | A | K | E | D |
| J | | W | | N | | H | | I | | N | | L |
| U | N | I | T | E | | I | N | C | L | I | N | E |
| N | | N | | P | | R | | E | | F | | S |
| E | I | G | H | T | E | E | N | | Z | E | U | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-5112

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | | 3 | | | 4 | 7 |
| | 4 | | 1 | | | 8 | | 6 |
| | | | | 8 | | | | |
| | | | | | 7 | 9 | | |
| | | 2 | | | | 3 | | |
| | | 5 | 3 | | | | | |
| | | | | 2 | | | | |
| 2 | | 9 | | | 8 | | 6 | |
| 3 | 6 | | | 1 | | | 5 | |

**Solution-5111**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 6 | 2 | 5 | 3 | 1 | 9 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 6 | 4 | 1 | 8 | 2 | 3 |
| 1 | 3 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 9 | 7 | 1 | 5 | 3 | 2 | 4 | 8 | 6 |
| 6 | 2 | 5 | 4 | 9 | 8 | 3 | 7 | 1 |
| 8 | 4 | 3 | 7 | 1 | 6 | 9 | 5 | 2 |
| 2 | 1 | 7 | 3 | 8 | 4 | 5 | 6 | 9 |
| 3 | 6 | 8 | 9 | 2 | 5 | 7 | 1 | 4 |
| 5 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 2 | 3 | 8 |

# EMPLOYMENT NEWS

## SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023
Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NORTHEAST FRONTIER RAILWAY RECRUITMENT 2023 FOR FEMALE DANCER, TABLA PLAYER

Vacancy Circular No: 01/2023

Northeast Frontier Railway (NFR) Female Dancer, Tabla Player Recruitment 2023
Advertisement for the post of Female Dancer, Tabla Player in Northeast Frontier Railway (NFR). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21st March 2023. Candidates can check the latest Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment 2023 Female Dancer, Tabla Player Vacancy 2023 details and apply online at the nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment 2023 page.
Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nfr.indianrailways.gov.in/. Northeast Frontier Railway (NFR) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Female Dancer, Tabla Player
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781011 Assam
Last Date: 21st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have 12th (+ Stage) or its Equivalent Examination with not less than 50% Marks
Pay Scale:
INR
144200/- Per Month
Age Limit: 18-30 Years.
Application Fee:
For All Candidates - Rs.500/-.
SC / ST / Ex-Servicemen, PwBD, Women - Rs.250/-.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications should be sent to Northeast Frontier Railway (NFR) office. Send your fully filled applications to
Senior Personnel Officer (Recruitment)
Office of the Principal Chief Personnel Officer,
Northeast Frontier Railway HQ, Maligaon,
Guwahati - 781011 (Assam), India. (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.26).
Important Dates:
Published on: 8th March 2023
Last date for application is: 21st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




